খাংহৌদোক

লৌউবা হায়বা অসি মণিপুর মৈতৈ পোইরৈ লৈবাক্তা খাইনদগী হৌজিক ফাওবা ইকাই খাইদনা উনরকলি, অতুমনদি ওইরবদা খাইনদগী লৌমিংকী মরম অমসুং সংবাই সুখোং, মীওক্লুকনচিংবা লোল অসি থরা থরা থৈনবগুম ভৈরকলি, মসিদা ঐনা মণিপুরগী সাহিত্যগী মচাক থরদং তাশিন খোঙ্জিনবগী মতৌগুম্না লৌউবগী লৌমিং লাইরিক মচা অসি ইরে। মসি মণিপুরগী সাহিত্যগী মচাক অমনি হায়দুনা খ্বাইনা থনবিরবদি য়ামনা নুঙাইজগনি অমসুং পেঙ্জগনি। ইতি :—

শ্রীমুতুম বুলনসিংহ
ব্রহ্মপুর, ইম্ফাল।

সূচী পত্র

হাউ তরুক, উন তরুক।

অহৈং অশা অমসুং ঈশিং নুংশিৎ (ঋতু)

মণিপুর অসি পৃথিবীগী খোইনম্ব ইন্দবা খোইনম্ব শাদবা (নাতি শীতোষ্ণ মণ্ডল) মফমদা লৈ।

অহুমদি ওইরবদা সমুদ্রদগী খোইনা লাপ্পনা লৈ। খা নোংচুপ নোমদা আকাম চাওগী চীং অহুদগী চট্টগ্রাম অহুদগী সমুদ্র লৈরে। সমুদ্রগা মণিপুরগা লাপ্পবা মাইল শম্বা ১৫০ য়োমনি। মরম অহুনা ওগাংখাদা চাং হেন্না শাবা অমসুং নিংথম খাদা চাং হেন্না ইংবগী মতৌ অহু থন্না থন্না লৈ। তৌইশুমসুং সমুদ্র ঈমাইদগী ফুট ২৮৫৭ খাংনা লৈবা মরম্না মনাক্তা লৈবা মফম অয়াম্বদগী ইংবা হেন্নি। ওগাংখাদা ডিগ্রি ৫০° দগী ৯২° কাউবা, নিংথম থাদা ৪০° দগী ৮৪° কাউবগী মফুংদা লৈ।

মণিপুরদা চহি অমগী মনুংদা ঋতু তরুকমক্তা তোংগাল তোংগালবা অহৈং অশা অমসুং মতমগী নিংথিজবা উবা ফংই। অমগী মনুংদা ওগাংখা নোংকুথা (চিংজিনথা) অমসুং নিংথমথা অহুম অসিনা মরুনি। কাইরেন, লমদা, শজিবু অমসুং কালেন খাদা ওগাংই; ইংগা, ইংগেন, থবান অমসুং লাংবন খাদা নোং তায়; অচোৎপা নুংশিৎ য়ায়া শিংনি অমসুং মেরা, হিয়াংগৈ, পোইন্দ্র অমসুং ৱাকচিংদা নিংথমই; হকচাং য়ায়া কৈ অনা অয়েক চেন্দে অমসুং চাবা থকপা ইহাওহাওই। কালাজ্বর ম্যালেরিয়ানচিন্না অর্থিবা লাইনা অমত্তা মনিপুরদা লৈতে।

শক্তিবুদগী যেরা কাউবা ভারতবর্ষগী মথক্তা খা নোংচুপ-লোমদগী অর্থাৎ ভ্রোংপোক প্যাংবা চুংশিং শিংলকই। চুংশিং অসি অহানবদা ভারতকী খা নোংচুপ্তা লৈবা আরব সাগর অতুদগী নোংচুপ্তা লৈবা বঙ্গোপসাগরগী মথক্তা শিত্তুনা লাকই হায়রিবা ঈচাউ অমি অসিদগী ঈশিং মনিল য়ায়া পুরকই। চুংশিং অসি হিমালয় পর্বত অমসুং খাসিয়া, জয়ন্তিয়াগী চিং মণিপুরগী চিংন-চিংবদা প্রপ্তুনা অমসুং অইংবা মকম ওইবনা মনিঙগী ঈশিং ওনকুনা হায়রি হায়রিবা মকমশিং অসিদা নোং য়ায়া তাই। মণিপুরগী খা নোংচুপ্তুগী তোর্বুং কোচিনরোমদগী নোং হৌরকপা অসি মরম অসিননি।

নিংথমথাদা হিমালয়গী উন মরক্তগী অইংবা চুংশিং অমা শিংথকই। প্যোইন্নু অমসুং বাকচিং থাদা চুংশিং অসি মণিপুরদা য়ায়া শিংথনি। মতম অসিদা য়ায়া ইংই অমসুং উন তায়।

মরম অসিনা মণিপুরদা লৌ ইংথোল উবা মতমদগী চাংদম য়াইনা লৈ।

লৌ উরগী মরম

লৌ উবা থৌনিন্না নোংঙাননবাই চিংথৈ হাকপা মতম অমিদু মরম অইনা শিজিনখৈন, মতুদি নোংঙাননবাই চিংদৈনা নোংপোক চিংথৈ চিংগী মুথৈনবা চিংদোন অতুগী মথক্তা চিংথৈ [illegible] মচাবা [illegible] [illegible] কাওথৎলকপা [illegible] [illegible] [illegible] চিংথোং অমসুং পুন্না অমাগী উ, মা চিংওমথা [illegible] ইচিক চুংশিং নামিবগী লোইনন লিরী লিরী হমলকতুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

লেংঙকপা। মহুগী মরক অহুদা কাকনা উইনা উইনা খোংঙকপা, চরোইনা বাংলপ তোবা খোনকয়, য়েমবাগী অনিঙবা খোনকয়, চিং খুহু শু শু লাওব', চিং হারি, অসিগী মরক মরক অতদা কোকিলনা উ মপানদু খোবুম থন্না উমশিল্লগা কুহু কুহু কাবনা খোংবা পুন্নমক অসিগী মথক্তা তামনানা লোকচপতগী তাম, তাম হায়না খোংবগী নিংথিজবা। মতুক নিংথিজখ্রবা অহুগী মরক অহুদা লৌউবা কাংবুনা নাপনি অমসুং শিগনি বাখল থম্মুবা লৈতেং মথক্তা হায়খিবা নিংথিজবা খোংনা নৌনা শেংনা অমসুং ফুইনা খোয়রকপা চিংথৈ অহবু চানখোইরবা মরুপ উনরুনি হায়বগী ইথক্তা অকিবা লৈতনা, থুত্তা শাইবা পাইদুনা দন মাংদ হোইরবা মুঙঙাইবগী ঈপাক থকতা থবক য়ায়া পাংশিনবা হেনগংলি।

অহুনা লৌউবা হায়বা অসি মণিপুরদা লৈবা তম অমসুং চিংগী মীশিংনা মতম অমসুং চাংদম নাইনা য়ায়া নিংথিজনা উরি। তৌইঙখসুং মণিপুরদা উরিবা অসিগা পৃথিবীদা উরিবা লৌ মউগা য়ায়া খেন্নরি। মাহুদি মণিপুরনা পৃথিবগী লৈহাউ চিংথংনবা হোৎনৈ, অতোপ্পা লৈপাক্কা হায় হাপনগা উবা ঙাক্তনি।

অহুনা হৌজিকমক থাম্মৈশেংনা মণিপুরগী তম অমসুং চিংগী লৌউপি (তমদা) কাইরেন থা মঙানি পানবা (পঙ্কমীদা) লৌতাবা হৌরে মসিদা ইতা ঙন্দুনা কাইরেন, লমদা থা অহুম অসি লোং থরা থরা তাবিরবনি অহাবা শমপোৎ খোইদুনা কারল কাক্কনা থবরি। (কালেনথাইবা) কালেন্থা অমা মুংশা শাবিরবনি কাঞ্জেন

খোইবা হায়রদুনা অমুক খোইরি মসিদা অমুক লৌওন অহুমশক মরিরক ওন্দুনা করং করং লাউদুনা থম্লগি মসিদা কাংলেন মখে ওইনা নোং নিংথিনা তারকপা মতমদা ঈশিংনা নিক নিক লাউরকপদা লৌরিদা পাবা ঈশিং অদু চি-থোক্লগা উকাইনা তকথাইদুনা পুমহল্লগা মালেমদগী লৈহাউ চিংখৎহল্লি।

অদুদগী কনানা পাম্ফেল পাম্বা মীশিংনা পাম্ফেল হুন্নখ্রে (প'ম্ফেল) হায়বদি লৌওল মরি মতারক ওন্দুনা (খোইদুনা) উকাই তকলগা হুনবা অদুবু প'ম্ফেল কৌই। অদুদগী লৌ লিংবা হায়বা অদুনা উকাই তক্ত্রনা পুমহল্লি, অদু অমুক কাৱল লাক্ত্রনা খোইদোক্লগা উকাই তক্ত্রনা চাং মাম্নহল্লগা লৌহোম্না লিংবা অদুবু লিংবা কৌই।

লৌরাং মতম

লৌ লিংঙমদাই অসিদা নিপা অদু সুমিদাংবাক থাংজো অমা য়েৎ অমা পুদুনা লৌকম অদুদা লৌরি শাবা কাচিন তোথোকপা অদুবু লৌরাং শুবা কৌই।

তমগী লৌহোল

তমগী লৌহোল হুনবসি কং-লৌহোল অমসুং নৈদুনা হুনবা অনি থোক্না থাইদোকই। নৈদুনা হুনবা

অমুনা লিংবগী মতৌ অমুগুম্না কাংনা খোইরগা হুনবা অমুবুনি। কংলৌরোল মহুদ্দি মকমতু নাপি খোকজোম্লগা খোকতোকপা নাপিদু লৈশিল্লুন। মৈথাবা অমুগা উং অমুনা চাইখোম্লগা হুনবা অমুবু কংলৌহোল কৌই। করিগুম্না কালেন নাইরবদি লৈপাক ওইনমমুনা কুম অমু মণিপুরদা মহৈ করোং খোকপা হেন্নি।

হাবেংবা

হাবেংবা কৌবদি চিংজিন্না ইংঙেন থবান থা অনি অসিদা জিংশিন্না অমমুং পান্থেল লৌ অমুগী কৌনানা লেংলেং চংলকপা অমুদা হৌরকলিবা লৌনাশিং অমুগী মরক্তা নাপি হৌরক্লিবা অমু শেংদোকপা অমমুং উকাই শমজেংনা তকখোকপা অমুবু হাবেংবা কৌই।

লৌউবগী মুঙাইবা মতাং

চিংজিন থাগী থাগৈ থবানগা লাংবনগা লোম্লবা লাংদাই অসিদা কৌনানা কেংলেংচং থুমিদাংথমাই লৌরাং মতম থুমিৎ চিংবা থাংবা মতমদা, লোংচুপকী চিংগা মুরৈনবা মরক অমুদা উরোক পরেং পরেং পাইরি উরেংনা পরেং পরেং পাইরকলিবা অমুগী মরক্তা থুমিংকী মশেক্কগী থুমিংকী ঙা-ঙ্রাংনরবা মঙান অমুনা কৌনা, চিংগী মুরৈনবা, উরোক অমমুং উরেং থুমিংকী মঙান মঙা অসিগী মথক্তা থুমিদাংবাইগী থুংশিং নামিবনা লিরি লিরি হুমলকপা কৌনাগী ইথক পুম্নমকী মরক অমুদা কৌনাগী থুংশিখরবা মনমনা হুমলকপা মতাং অসিবাইদা লৌউবা কাংবুশিংনা খুদৈ অচৌবা অমা শেং উরৈরোম শংবা খুদৈ অমা রেংচা নাকোংদা

হৌজিক্কৈ মাচোম অমা চিনজা ফিরৈদা পানা থবা রেপ পানা চথোম চাউনা চাশিল খুত্তা থাংজৌ অমা পাই মুমিদাংবাই হুব লৌ লৈবা থোরকপা কোনাগী ইথক অমরুং মুংশিংবা নিংথিবা অহু উবদা লৌউবা মীশিংগী পূকনিং হননবা মশক্না অথাবা কোকহল্লি। অমদা লৌউ মণ্ডং অহুম লৈ।

চিংগী পাম

মণিপুরগী চিং অকোইবদা উরিবা লৌউদি চাউরাক্লা অসিনি। চিংগী পাম হায়বদি ভবনী লৌ শরি অমগা চাউবা চাউরাক্লা থাদ্রে।

পাম হায়বসি নোংঙানবদগী নিপা অমনা শিংজা অমা থাংজৌ অমা পাইদুনা উ রা হায়দেকপা অহুনা চুমিং তাবদা হেক লোইবা অহুম পাম অমা কোট; পাম অমা হায়দেকপা ওজা নিপা অহুম অকনবা শিংথাই। মরম অহুমা লানক থাং অমসু তা অমগা পাইদুনা নোংঙানবদগী চুমিং তাবা কাউবা লান মারবা ওজা নিপা অদুবু "পাম হায়বা" কৌ (উপাধি) অসি কই।

পাম হায়বসি অহানবদা থাকচিংদগীনা কাইরেন কাউবা অসি হায়দেকপা লোইরগা করম্বুনা থবী অমগা লৈবা চেলকপদা পাম মৈ থাবা চারদুনা মৈ থাজোকই উং অমনা লৈতানগা পাম য়ানবা হোৎরে পাম অদু লৈপাকতা উং অমগা চিরিহনগা কো থাবা হোৎরে।

কৌ নখাদি কিগাওদা "কৌ থরা হাপলগা থিকল থিকলদুনা অমনা অস্থম চংলগা অমনা অস্থম ওমলকই।

চিংগী লৌ মত অমনা ঈশিং অসি বা তংখাইদা পুরগা চিংচেপ্তা নৈদুনা হুবা মওং অমনি। পাম লৌ অসি চহি অমা উরবদি ওল্লকপা চহিদদি উত্রে অদুগা কংলৌদদি চহি অনি উরি। পামলগনা আলু, লফু, চরিন, চানান, চুগজাক অসিনচিংবা থাথরে।

চিংদা লৌউ অনি লৈ।' মতৌ অস্থম তৌনা মণিপুর মৈতৈ পোইরৈ লৈপাকনা লৌউবগী মওং অসি চংনরকই।

চিংগী লৌউবাশিংগী হুণ্ডাইবা মতম

চিংগী পামলৌ উরিবা মীশিংনা হুণ্ডাইবা মতম অসি ইরেল থবান অনি অসিনি অমিগী মথুং অসিদা হুংলিগ্রবা অতকপা মতম লৈরি। মাদুদি :— ইরেল থবান অনিগী লোয়রবা অসিদা চিংগী উথবান, নামেলা, লৈহাও, খোংগোস্নেটেল, লৈথি, [illegible] চিংগী হৈগ্রাক, লৈথাল, উ,-বা পুম্নমক মপুং [illegible] [illegible] [illegible] হাংনরবা [illegible] পুম্লিং [illegible] অসিনচিংবা শুমিৎ [illegible] [illegible] ওরকপা মতম অসি- বাইদা লেংক [illegible] উরক অহিং [illegible] [illegible] অগোম্বা [illegible] [illegible] হাবদুনা খোংজেকপা ইনিল [illegible] [illegible] উকেং

সনু সনু পাইরকপা হৌরে। চিংথুন্নহ্ গু, গু, খোংলে উচেক লাংমৈহ্ খোংথংলে হরিনোংনাং (হারি) গু খোংথংলকলি। মাসিদা থবাক্তি পুন্নমকী মখক অসিদা সুংশিবদা মণিপুর মৈতৈ পোইরৈ লৈবাক্তা মফিং, ফিং খোন্নবা সুংশিবা খোনকম অমত্তুং পান্নবদা শিংথানরিবা অত্তুগা চিং তথদা লৈরিবা মী পুন্নমক অসিনা রারক রারকপা পোথাবা মতমদা লোকচপ লোমদগী মেংথ্রবা খোনকম অত্তুনা তাম, তাম, হায়রহুনা হেক খোংহকপদা মী পুন্নমক পুক্কিং অসি থুক থুক লাউতহুনা উন মকুম ইংথি অমত্তুং সুংশিবগা লোইননা চিন চুমা চপ মাইরে।

মতাং অসিদা চিংগী পাখং লৈশাবীশিংনা পামদৌ ঙেংবা খোরকপদা মথক্তা হায়রখিব্রা পুন্নমক অসি উবগা কৌনাগী মনম সুংশিবা অমত্তুং ইথক অত্তু উবগা চিংগী পাখং অদুনা সুংপাক অমদা লেপথংতুনা মথুংতা তা অমা পাইজত্তুনা লৈশাবী মরাক্তা খোংজোম ওইহনা পাখংগী হৌনবী থরাওরকপদি নিংথিবদা পান্নমনিংতাই লৈতে।

চিংগী মীশিংনা মতৌ অসুম তৌনা পুক্কিং সুংশিবগা লোইননা লৌ নিংথিবা হাকশেনহুনা অবাবা কোক্করি।

কুম কাংবা

লৌ উবগী মরমদা মথক্তা হায়রিবা মকুওইবশিং অসি করিগুম্বা মণিপুরনা লোং চুমহুনা কুম কাংথ্রবদি চিংগী

লোক অচৌ অচৌবদগী, যা জগাইদা ঊশিং পুথরগা, পাম লৌ মরুমরু ইথোই কোইনা লেংগনা উই। অতুগা অগুনা ভুবন পাং অমহুং লোক বকনরুপগী ইত্তোপ অচৌবনা মহৈ থাক্না ঊশিং শিংকংলগা উই।

অতুগা কত্রিওদা হুম হুনা হুানেন ন্যাইরবদি অহবলক ওনুনা থবলগা ঊশিং ভারকপদা উকাই তক্‌না থবলগা মত্তোমনা লৈকাও চিংথংলৈ। কোথোক যাম্না হেনগংলি, মীরৈবাকা মায়দে হায়বদি থুমব অসিনি।

লৌউবা হায়বসি অরাইবা মবক নত্তে মরমদি লৌ লৈতবা মাদে ১মুং শব লৈতবা মাদে লৌও শনয় শাজবদি কৌ যাম্না তোংত্রে শলগী কোপোং তরানিথোই, লৌপরি অমগী কোপোং তরানিথোইগা অনি অতুগী লেমহৌবা অহু মপুগী ওইগনি অসিনি।

লৌমিংকী বারোন

লৌপরি অমা কোবমি মিংথৌগী মচা শিপায় পারি কৌই। পারি অমনা চাবা ভকুগা কোপোং তরানিথোই শঙম মরিনা শাবা পরি অমা পারিদগী লৌপরি অমা থোকপনি।

শঙম

লৌ শঙম অমা শৌবসি লোয়খদা শন অমনা ওবা অহুম শঙম কৌই অদুকে অনিবা কোবা শাই অনি যায় পুনশিন্নগা লৌ শঙম কৌরে।

শঙম অহুগী ভংথাইনা লোথাই কোয়্রে। লোশেল মরিনা শঙম, শঙম অনিনা লৌয়াক অমা শাই মণিপুর গোইরৈ লৈপাকীদি মক্তৌ অময়া চংনরকই। অহুনা হৌজিক কালগী চংনরকলিবদি কাঠা ৫ না বিঘা অমা শাই বিঘাদি ৭॥ না লৌপরি অমা শাগি; শঙম অমনা ১৬/,৮ অত্তয়া শাচনা মৈতৈ লোনগা কোননা চংনরক্লি।

মী মরুক

কৌ লোইনিং মরু অসি তরানিথোই (১২) কৈনা পারেং লেংলগা কৌ লোইনিং ১ না হুৎখংগা নিকুনিপাল (৪৮) না কোইবা অহু থনবা অহুম থুলাপ (মুষ্টি) অমা কোই; থুলাপ অসি তরানিথোইনা মী মরুক (উভোং) অমা শাই।

কৌ শংবাই

কৌ শংবাই অমনা অনি খোঙ্গা য়েল্লগা লিথাই কৌই। শংবাইনা মরি খোঙ্গা য়েল্লগা মতং কৌই; শংবাইনা নিপাল খোকপনা লাইতং কৌই; লাইতংনা ১৬ খোঙ্গা য়েল্লগা পথাই লুক কৌই; পথাই অসি ৩২ খোকলগা লুখোংলুক কৌই; মীমরুক ৬৪ না শংবাই অমা শাথ্রে।

বাউ তরাক উন তরাক

(ঋতু) তরাক

(শজিবু: কালেন) (ইংগা ইঙেন) (থবান লাংবন) (মেরা হিয়াঙ্গৈ) (পোইনু বাকচিং) (ফাইরেল লমদা)।

থাউ তরুকী মহুৎদা শজিবু কালেন থা অনি অসি নহু য়েন্নেম অমহুং পাল কনি হবাই হবাই-মনা থামেয়চিংবা কালেন য়েনশাং থাবা য়ায়া কৈ। অদুগা কংলৌ লৌহোল লোইহৌত্রবদি য়ায়া কন্তে।

ইংঙা ইঙেন চিংজিন থা কৌগী অাং লৌহোল পাক্কের্ন অমহুং লিংবা ঊশিংঙা পক্কবা য়াবা লোইখোকপা য়ায়া কৈ।

থবান কাউবা অসি লৌগী য়েংবা হাবেংবা ঊশিং কাম্ভোক কাংচিন অমহুং ঊশিংগা পক্কবা লৌউসি থবক য়ায়া কল্লি অদুগী লাংবন চংলকলবদি মক্ক ময়াংনেচিংবা কলম চায়া শেবা হৌয়ক্রে।

উন তরুকী

মেরা হিয়াঙ্গৈদা কপি হজাম থোরাং তোক্নুনা মরোং ময়াং-নচিংবা হনবা হোয়ে, অদুগা অঙন কৌত লোকপা হোয়ে হায়রিবা মতম অসিদদি চিংগী লৌ লোকপা লোইরে। অদুগা চাবা থকপা য়ায়া হাউন্ননা হকচাংত য়ায়া কবা কোয়ে। মনা মশিং পুন্নকন্থ থাবা হোৎপ্রু।

পোইন্থ থাকচিং থাদদি লৌ য়ায়া কয়া লোকলে হুমজাগী চান থকনবা কৌ অমহুং শিংরেল থোমচিন্নবা হোংনত্রে অদুগা উ মচা কৈ লৈ চায়া শেবা মকম হোৎদোক হোংখিন থা অনি অসিদা য়ায়া কবা হেল্লি।

কাইরেন নবদা নাকেন থা অনি অসি থদি থোংক্রম নাইরেল কায়োন ১মুং ভেলত্রি মোয়োকনচিংবা থাবা য়ায়া কৈ অদুগা উরিদি য়ায়া পান্নৌ।

খুলং

লৌউবগী থবক্তা খুলং হায়বা অমা চংনরি মাহুদি নিপা মুপী অনি অসি খুৎপু খুৎপু নাইনা ওসিনা অমগী হয়েংনা অমগীদা খোইরবা, ঙিংবা, খাউবা, মৈরবনচিংবদা য়াউনবা অহুবু খুলং কৌই।

লৌউবা খুনেক

লৌউবা খুনেক অসি লৌ মপুনা নিপা অমবু নেরুপনী কালেন থাদগী থবান ফাওবা থা মরিসি লৌ মপুগী মী ওইহনা লৈ, খুনেক নিপা অসিগী চাব থকপা ফিজেৎ থোন্দুনা লৈথ্রবনি। অহুনা চিংজিনথা থবান ফাওবদা খোৎবোৎ ১২ তরানিথোই পিনৈ, অহুগা লোইহনু লৌ লোকপা কাওবা ওইরবদি খোৎবোৎ ২০ কুনয় পিনৈ।

অহুনা লৌ মপু অসিগী খুনেক নিপা অসিদা লোংবনী চৈ উতোং অনি থাও পুম মরোক এনশাং নাপি অমহুং ফিজেৎ অসিনচিংবসি কালেনদগীনা থবান ফাওবা অসিগী অমহুং খোৎখোৎ ১২ তরানিথোইগা কোনবা লৌ মপুনী শেন ১মুং পোংচং কয়া মহুম: চেনগে চাওরাকনা উত্তুনা তাকই।

শমবোৎ হাকথং শূবা

শমবোৎ হাকথং শূবা হায়বা অসি থপ কৈজদবা মী অকনা থপ হাইরগা কাবুগীদা অমুক খোইবা লশাংগীদা অমুক খোইবা অহুবু শমবোৎ হাকথং শূবা কৌই।

মণিপুরগী তমলো অক ফত্ত লৌমিং

অম্বাং নোংপোক পুখাও চিংখোং লমদগীনা য়ায়রিপোক কাউবা লৌ উকম কনি কৈ হায়রবু কয়া পাংদে। নোংপোক্তা লৌরেক্কম (য়ায়রিপোকলম), শিব লৌ লময়ায় (শেলৌলময়ায়) সি মণিপুরগী লৌকম ফবদা মমিং চৎপা লম অমনি। মসি থায়না মমাংতৈদা শিবনা পোইরৈত্তোন থুনখোকপদা লৌউকম অহানবানি হায়রি (পোইরৈত্তোন থুনখোকপা পুরান)।

খা নোংপোক্তা য়াংজিংদগী পলেল চিংখোং ফাউবদা লরিবা লৌউকমশিং অসি কাবক কৈ।

মথায়োমদা য়াথাইদগী শুগ্নু ফাউবা অসি লৌ ফত্তে। খা নোংচুপ্তা য়ায়োক্কগীনা মোইরাং লমথাই তোর্বুং লমজাও, তাম্নুকোন, মরোংলৌ হায়বসি লম চাউবা, লৈহাও চেনবা কৌ থোকপা মমিং চৎপা লমনি।

নোংচুপ্তা থাংজিং চিংখোংদগীনা লোইয়ারম অম্বাং সেকমাই ফাউবদা লৈরিবা লৌকমশিংসি ঈশিং য়াত্তে চাবা হাউই লৌ য়ামকৈ অমসুং লৈহাও চেল্লি। অতুগা ময়ায়লম্বী খোংশাকৈদগীনা সেকমাইচিন ফাউবদা লৈরিবা লৌকমশিং অসি ঈশিংনা নমই লৌ য়াম্না তাংই লৌহ্ন ফত্তে।

মণিপুরগী চিং অকোইবদা তমগী লৌ থয়া থয়া লৈ, মাহুলি :— খুণ্‌ুল শেলৌ, খোবুম তম্পাক, কৈখো

মানবী, কাংলোকপী, কাম্নেং, থিরিবাম, কবোক্তপাক, হামুকোন অসিনাচিংবা।

ফোগোবা

লৌরৈবা ফোমি চেন্দনবা ফোগোবা, মসি লৌরৈবা হুমিং অসিদা রৈনকক অহুপী মথক্তা শামথোং মরি পানবা মৈপী হিদাক থকপা কোলনিক পুথংলকপা মাগে। করিগুম্বা লোইখিবা থোক্কবদি শরেং থোংলক্তনা চাক অমমুং অহাঙ-অথুম থাদোক খোঙ্তোক্লগা ফোওইবী (লাইরেম্বী) কোবা অহুবু ফোগোবা হায়না থরৈ।

মণিপুরদা ফৌবানকম চাউরাকপা

অথাং নোংপোক্তা চলৌ কৈথেল, নোংপোক্তা মারমিপোক, খা নোংপোক্তা খোবাল, থাংজিং ১মুং ককচিং থুলেল অসি ফৌবানকমনি।

অথাং সেকমাইদা থরা ফংঙি। নোংচুপ্পা লমশাং কৈথেল থরা নিংথিনা ফংঙি।

অহুপা খা নোংচুপ ফোইজিং কৈথেল ওইনাম তাংলৈহাদা কৈথেল অনি অসি মায়া নিংথিনা ফংঙি। বিষ্ণুপুরদা চিং তম অনিমক্তী ফৌ, চমিন, চনান চিংগী চেং থবাইদগী কেয়া ফংঙি।

খা লাইজিরা নিংথৌথোং মোইরাং কৈথেল কুম্ফি অমমুং তোর্বুং কৌচিন পুনশিল্লগা থোইদোকপা ফৌবানকম অমনি। থাথাই-মপীলা লাংথবাল কাউবা অসিদি -ফৌবানকম লৈতে।

মরেক—নুংয়ে—ইংঙেল লাই চুবা

লৌ অসিগী লুরবা লায়না অহমথক লৈরি মাংদি:— মরেক হায়বা তিল অসিনা লৌ মশাসি ঙৌক্ননা মপাক মপাক চিকখংলি।

অদুগা নুংয়ে হায়বা তিল অসিনা লৌগী মচাম্না চিংখংলি মসিগী হিদাক্তি উকাই শমজেংনা তকথোকলগা ঈশিং চিথোক্নুনা কংহল্লগা কৈ। অদুগা কোয়া ঈশিং থাজিনগনি।

ইংঙেল লাইদি ঈশিং কংলগা চুগল্লি ঈশিং ফংলগা কৈ।

শঙ্গেনবুংগী য়ায়েলবা

শঙ্গেনবুং অসি লৌউবা মীগী লোনা মরু তাবা হেক হৌরকপগা থুম্নাও অদুগী শল মথে পুনশিল্লগা শঙ্গেলেং নাংহ্না ঙাকনরি, মচুগীদমক্তা শঙ্গেনবুং ১মুং শঙ্গেন হঙবা হিদং অতোপ অঙ্গেং ১মুং দোলাই পাবা অসি হাপ্নুনা শলনা লৌচাবা ১মুং শল মাংবা ১মুং ইরোই অকনবনা থাইথুহ্না শিন্নগা মাচুগী বিচার মায়া কুপনা তৌরি।

লৌ ইথকোল চাওরাক্না শন্দোকপা

লৌ হায়বসি কৌগী মচা অনৌবা অদুবু লৌহোল কৌই। লৌহোল অসিনা লিংথোকপা মকম অদুবু লৌ মবুক থনকম লৌবুক কৌই (লৌগী মবুক অদুদগী থোকখিবনি)

ইংকোল কায়বদি মীওইবগী নোংঙাথদগী নোমুরে থোংলুরে হায়রগা হজিন্নরক্নুনা ইংথহ্না পোথাবা মকম (ইংথবা কোল) অদুবু ইংকোল কৌই, ইংথোল হায়নখিবা অসিদি কুইত্রি।

লধাই— হায়বদি লৌ ধাইকম লৌগী থবক য়ায়া কয়া গুকম অহুবু লধাই (লৌধাইকম) কৌই। অহুগা লাঙ্গোল য়ানকম হায়বদি লৌ শানবা যী অহুবুনি।

মণিপুরদা ফংবা ফৌ মরু (ফৌদি)

১। চাহাও পোইরৈতোন। ২। চাহাও শেমপাক। ৩। চাহাও অঙৌবা। ৪। ফৌরেল ফৌবাও। ৫। ফৌবাক চাহাও। ৬। হুমাই। ৭। শংশংবা। ৮। তাওথবী। ৯। শগোল য়াংবা। ১০। শজিখোক। ১১। মোইরাংফৌ। ১২। কুম্বীফৌ ১৩। ফৌহুম। ১৪। ইরোয়া। ১৫। ফৌরেল অমুবী ১৬। ককচেং ফৌ। ১৭। কৃষ্ণভোগ। ১৮। নোইনীং য়াংগোনবী। ১৯। ফৌভাং। ২০। ব্রাইস্নচারা। ২১। চ্রেম্ভিক। ২২। নোইনিং। ২৩। ফৌরেলচাহাও। ২৪। কবোকফৌ। ২৫। ফৌগাক। ২৬। মৈয়াংখাং। ২৭। মুর্শি লাইফৌ। ২৮। ফৌরেল নাকুপ্পী। ২৯। কুলিমোয়া। ৩০। হুমাইঅঙৌবা। ৩১। লাংমানবী। ৩২। তাউথবী অঙৌবা। ৩৩। হৈতুপফৌ। ৩৪। লাইথুরাম ফৌ। ৩৫। শজিয়া। ৩৬। চংলৈ। অহুগা গেহ অমস্থং চা অম্সিনচিংবা।

[মৈশোরোন পোইরৈতোন খুয়োকপা
পুরান্দা অহুম তোনা ইরি।]

হ্মরি চাউরাকনা শন্দোকপা।

ভাইবংমৌশিং অসি হিংনা চাবা পোৎ থাক্তা চানরম্মী থাইনা মমাংঙৈদদি মৈতৈশী ইমা ভরেৎ আসনা পোইরৈ-তোন্দ ঐখোইনা হুজিক্তা চারিবা মনা শিংনা পোৎচৈ আসনদি খুদোং খিৎ চাকাৎলোইদরা লাইনিংথৌ খুনুম লাইনা অমুক্তা খম্থবিয়ু হায়জরুবদা। মসিদা পোইরৈতোন্না খুমপি চুম্মি নংখোইনা হায়বা শে, শে, অহানবদনে চুগজাক, চযিন, পাল, মংগ্রা অ'সনচিংবা চাখোকো হায়তুনা ভাক-পিরম্মী। মাসিদা নৈমরোল ভরেৎনা হরাওতুনা লাকই মনুম মনুম য়ৌরগদি, মা'সাদি মতৌ করম্না চাগনি হায়বগে লাইনিংথৌনা তৌরক্লিবা আসদি শোইরে অমুক চৎলসি খমতুনা লাকলে। তৌরিবা অসি পোইরৈতোন্না লাপ্না উরতুনা হংলকই লাইরেম্বী ইমা ভরেৎ অমুক হমক্রবনুদে? লাইরেম্বী ভরেৎনা খুম্মী করিনো লাইনিংথৌ অসাইগীহুদি ইশোয় শোইরেনা মতৌ করম চাগনি হায়বগে হিংনা চাবা য়াবা পোৎ নত্তে। লাইনিংথৌনা খুম্মী ইহে ঐনু কাওরেদো চুম্মী নংখোইনা হায়বা মৈ খোমংপা অহিরোত্রে। শে, শে, অহুম তৌ মুং অনি রৈনবগা অতুপা সুংপা

য়োংকা য়েনবগা করং করং কাপলকপা অদু মৈ কৌই খোইজু থর তোৌরগা হৌগংলো, অদুগা মা অকংবা ভংখাইদা লি ওইরবসু পম্না ওইরবস্থ মৈবা চিংক, অদুগা মৈদু নিংখিনা হৌগংলগা লৌরগা ফুংলগা চাও অমি হায়না তাকপিরে।

মৈ হৌগংপা লোংগা

মতৌ অস্তম তোনা লৈমরোন তরেংনা পেং লৌদুনা চাবা হৌখি। মদুগী ১ডম থর লৈরগা লৈমরোন তরেং লাক্তনা লাইনিংথৌ মসিদগী হেনবা করম করম্বা লৈরিবগে অমুক হংজরে।

নংখোইনা তোইনা হংবা অসিদা এৈস্থ থাংবা তমত্রে শে হয়েংদগীদি অমা পিয়গে তমো তমো লাকউ।

লাইরেম্বী তরেং চংখরে।

পোইরৈতোমা চগ্রিং তাকা পানবা লৌকম অমা শেমখি মতুদগী হেক্তনা কুংলগা চাখি অকম অদুবু চাক-থোকপুং কৌরমী। মদুগী মতুং থর কৈরগা লাইরেম্বী তরেংনা চাক চগ্রিং অমি কংনা কৌথোক্লগা তুবনা তুরে হায়রগা মাংকোকনা থগুম্ম চারকলে।

থৌরিবা মতৌ অদু উবদা পোইরৈতোম্বা থংলক্তুনা লাইরেম্বীশিংনা চক্রিং কৌরিবা অদুবু মকু পালহল্লে। মকু পাল্লিবা অদু লাইরেম্বী তরেংনা উরতুনা হৈবা চাক চক্রিং কৌরিবা অসি মকু পাল্লেনবে, হায়তুনা ইনিন নিল্লরক্লে মতুদগী লাইরেম্বীশিংনা থুবাম অমা পুরতুনা পোইরৈতোম্বা লাইনিংথৌ করিনো তৌরম্লিবা অসি য়েংঙু হায়তুনা উৎলুরে। মাসিদা পোইরৈতোম্বা থুমলকই ককেনা সংখোইনা চক্রিংবু কৌবদগী খোরকপমিনা মাগী মখিংকি কৌমরু কৌরে হায়না তাকপিরে।

অতুদগী লাইরেম্বীশিংনা হংচকই মাসিদি মতৌ করম চাগনি লাইনিংথৌ।

পোইরৈতোম্বা মায়া ফরবনি কৌমরু অসি ঙীশিং চোংলি চোংলি থৌবা মকমদা হেক হৃগা লিংখোক খোংতোকলগা মাবু ফননবা হোৎনরগা চাংগদবনি অতুগী মতমতুদি থয়া তাইবা তারে হায়না তাকপিরে।

মতুদগী লাইরেম্বীশিংদা লাইনিংথৌনা তাকপি তখিবা হায়না লেপলে।

অতু ওইরবদি কৌ মরু অসি হনবা হৌরো তৌগৎলকপা কান্দা মাগী মমিংদি লিংখবা লোথৎপনিনা লৌওই কৌ হায়না তাকপিরে। লৌ ওইদগী থৈংকুনা লৌহোল হায়না চংনখি। লোহোনগী মপুক থনকম অতুবু লৌবুক হায়না থংনখি। মসিগী মতুন্দা পোইরৈতোম্বা উমং যামদা লৈবা মপ ইরোই কান্না পাথোই পোকলগা মপবোৎ খোইবা হৌরে।

নোট— পোইরৈতোন্‌বা লোনবা লোক কনি [সেব ডাবা চংগি] মচুদি বংবোং খোইবা মতমদা য়েংগী কৈন্নবু হায়রুক্না ওয় হায়, ওইদগী য়েংঙা লৈবা মতমদা থিংখি হায়রি, লৌবা মতমদা হৈঃ হায়রি, অদুগা খাম্বা মতমদা য়ো য়ো হায়বা খাগ্নী মসি মতম কুইরকলবা কোনচংনি। মচুংগী পুরইরৈতোন্‌বা নিপাং শিংদা বণবোং খোইবা উকাই হকপনচিংবী ক্নিংবা পান্দেন হনবা ডাকপিরে। অদুগা অমগা অমগা মতেং পাংনবা খুন্দ চংনবা তম্বিরে। অকানবা লৌউকম সেয়োলমরাইদা।

লৌ কারমদাইদা হায়রকপা বাহৈ

হে হে হে ইও, কে হে ইও, মায়ো কারসি কে ইও, য়োইবু লাইবু ইবুং ইপবা ওক্সরগা; কৌথা কাওথুম ডাহেমাসি পিজনবা।

খুলংগী বাহৈ

হো হৈতো হো হৈতো খুলং লোইনদি কারসি হৈয়ানগেদা হৈয়ানগেদা। মতো অশুম তোনা লৌউবা হোয়কলে।

লৌ লোকপা

কৌ বরু অচু মুলগে হায়বা কাল অসিদা থাওরে হায়রগা কংহত্রে অচুমগীদি লৌ রৈবা অসি কৌওইবি দেবীনা কোহাম কৌগ্রিং শিজোক খোজোকপা অচুবু হৌজিক কাওবা চঙ্গগী তমথিং শারগা হৃপী হায়দুনা চংনরি। অচুগা লৌরৈবা মরুমদা

থোক্লে বাদো লাওথোক্লগা হে কোওই লৈমা লাইরেম্বী লাও লাও নমাই ঐথোক্লিবু চাওকু মনকুবিরো অসি হায়না কোনবকই। মতৌ অদুগ ভৌনা মণিপুর মৈতৈ পোইরৈ লৈবাক্তা ইমা তরেংনা মচা মতপী অচা অথক অসি থাক্তনবা লৌ ইরকোল কোইবা অমস্থং উবা লৌতোকপিরম্বী।

মসি কিবয় পকানী মণিপুর ইতিহাসদগী চাউরাক্লা ইকরিবনি।

মৈতৈ ইমা লাইরেমবী তরেৎ ফৌওইবী পোইরৈতোন মাপল অসিনা হৌদোকখিবা

১। লৈমরেন লাইরিবী। ২। লৈরোং লৈরাংবী। ৩। থোইনু। ৪। তোংখাংনু। ৫। চেনু লৈমা। ৬। থরোংলোংবী। ৭। থমচিকনু অদুগা ফৌওইবী অসিনি।

লাইনা ফৌ খোমবা

ফৌগী মরমদা মণিপুরগী লুরবা মতাং অমা লৈরি। মচুদি, চাহি থুদিংগী পোইনু হায়বা থা অসিদা লাইনা ফৌ খোমদুনা পুক্কি, মপুদি করম তোগা পুবগে হায়বদি অড়কপগী থুদম অমনি। লবুকতা হৌরিবা ফৌ চরোং অচুম্বা থম্লগা লৌপক্কি গাংবৈ ৫০ চামা ১০০ রোম অসি মরুদা থাকলগা থাংতক্লো কোইদুনা পুলপ পুক্কি, পুথিরবা ফৌশিং অসি মকম কদাইদা থমগিবগে হায়বসি অদোংবা

খংদে, অদুগা মণিপুরগী মখুংদদি হুনখদে, অদুগা মুক্তা রাম্নি ওইনদি খর লৈরম্মী. অরাং নোংপোক চিংলৈশঙ্গা লৈবা মাপ, সংরাট, চিংজাও অনি অসিগী শানখোংখ,গা কি শেংতবা থুল চায়বা অমা লৈরী, মখোয়গী মাপুং অদু পিজনবা পুরিবনী হায়দৈ। অদুগা মণিপুরদা লাক্লিবা লম ভাগ্য অমসুং কাংভাশিং অসিদসু পিকার চায় অদু ওইরবদি ভাগ্য কাংভাশিং অসিদী মৈতৈ পুরাংদা হায়রবদি সনচিং মতোন তরেৎ কাংবা লোকতগী লংকপানি চাদরি, অদুনদি মণিপুরগী কো অসি টিবেট, অমসুং শমভোল, রুসিয়াগী লমদৈ কাওবা য়োবা তারে, কো অদুগী মকাও কাওবা ভমদতুনা মণিপুর লোকতাকনাচিংবা পাৎ খুদিংদা লম ভাগ্য কাংভা য়ামনা লাকতুনা চহি খুদিংগী কোনচিংবা য়ামনা চারে। অদুগা মচা পোকপদি অমুক পাইখি, মখোইনা পাইরকলিবা কমি ভনখোকনা লাপলি, টিবেট, অমসুং শমভোলদগীনা খাগি লাকতুনা কবো কাওরক্রগা মণিপুরদা লৈশিনলকতুনা তারে।

লাক্লিবা লম্বী অসিনদি মণিপুরগী হারিগা চুনরি, অদুনদি মণিপুরগী কোগু শমভোল য়োবা তারে।

মণিপুরগী কো খোনবা মতাং অসিদা হুজিক চংনবি সাইন্সগী মোংতদি নোংলৈনা পুখিবনী হায়নদি, অদুমনদি ওইরবদা কো মখোম অসি কমখনখিদুনা লাইথুংদি

চাবরসি কেক্কা খংনৈ। তশেংনা ময়াই চনুকভা কন্নপা যোমশিন্দুনা মণিপুরগী মদুংদা ইত্তা তাহন্দচুবী পুথি, মসি মণিপুরগী তঙ্গংপা থুমম অমনি।

লৌতাবা

লৌতাবা নুমিৎ অসি চেং থে ইড়িং নৈ থর অসি লৌগী মায় অতুদা থারগা খুরুমবদি অসি হায়নি।

হে লৌরুংহনবা নঙ্গাবা কৈরুংহনবনা
চায়রকই, কুমশিদি কৌনা চরোং
চ,মনা পাংহরপা কোত্তা কৌ মামনা
কায়কউ হায়রকই।

মহৈ অসি হায়না খুরুমলগা

(মাইওল)

অহানবদা মৈরমরোমনা তৌগনি (থোইগনি) অতুগা নোংচ,পুগা থাকনী, অমুক চিংথেদা চংকনি, অতুদগী মথা পাংনা মতেক ংকনি মর'ম যোরকপদা হায়জিল্লগা নোংচ পু। কাঁরলদা লোইগনি।

লৌ তাবা নুমিৎ অসিদি মামনা থোইবা মাদে মথক্কা চারবিবা অসিনা অশুমমক লোইগদবনি, মতুংদা মামনা থোইবা থাগনি।

কোত্তা ফৌ কারকপা নুমিৎ

চহিগী কোত্তা ফৌ অনৌবা কারকপসি মপানা লৌউবা মীদি লৌ লোকপা লোইবা লাইরেন্থী কৌবা

সুমিৎ অসি সুমিৎ মুন্না থংহোৌগদবনী, সুমিৎ অসি কোক্তগী ফো থাইহৈদে। অদুগা মশানা উবা নত্তুনা লৌশাল শন্‌শোন চাবা মীদি কোক্তা ফো হৈজিনবা সুমিৎ অসি কাইরেনগী পানখৎলকপা ফাওবসি মুন্না থংহোৌগদবনী সুমিৎ অদু কোক্তগী ফো থাইহৈদে, কন্নিত্রবা থাইরুরবদি ফোওইবীনা শাওই ফত্তে হায়রি।

অদুগা চহিগী ফো অনৌবা কারকপা সুমিৎ অসিদা কারকইবা ফো অদু খজিক্তং চফুমচা ১দা হাপচিন্দুনা থমহোৌরগা মতুং চহিগী অনৌবা ফো কারকপদা, ব্রাহৈ অসি হায়না, শে শে কৈরুংহনবা ননাও লৌকংহনবনা কুমশিগী ফো অনৌবা য়াম্না কারক্রে লোইশিন-খর্মজিন্নু, শে হাকুমগী অরিবনা মখা থারবনি। অনৌবনা মথক্তা থম্মু।

ব্রাহৈ অসি হায়না কোক্ত নিংথীনা থমলবদি চাব থকপা ব্রাস্তে হায়না থুম্হোক্‌পা পুয়ানা হায়রি।

